ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ ২ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অরোইবা মেচতা ম্যান্মরগা পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎলগা পোইন্ট মান্নখ্রবসু গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়া লৈহৌরে



মন্দলে, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ
মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ অমা ঙসি ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনল ফুটবোল টিমনা পাঞ্জল ৩-৩দা ম্যান্মরগা দ্রো চৎখিবদগী গ্রুপ অদুদা মেচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৭-৭ ফঙমিন্নরবসু ইন্দিয়াদগী ম্যান্মরনা গোল চনবা মশিং হেনখিবদগী ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ ২ ফুটবোল টুর্নামেন্টতগী ইন্দিয়া লৈহৌরে।

ম্যান্মরনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি মন্দলেদা লৈবা মন্দালরথিরি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী অরোইবা লিগ মেচ অদুদা চাংচৎতা চহী ২১ ওইবা মেমোল রোকিনা লমজিং লমতাক্লিবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনল ৱুমেন্স ফুটবোল টিমনা য়ুম্বু লৈবাক অদুগা শান্নখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ ২ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অনী মায় পাকপা ঙমখি। ইন্দিয়ানা অহানবা মেচ ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। মদুগী মতুং নেপালগা শান্নখিবা অনীশুবা মেচ অদু ৩-২দা থোইবা ঙমখি। অদুগা ঙসি ম্যান্মরগা অরোইবা লিগ মেচ লম্বা তৌনরকপনি।

গ্রুপ এদা লম্বা তৌনরিবা ইন্দিয়া ফিফাগী রেঙ্কিংদা ৬২শুবা থাক্তা লৈরি। অমরোমদা ম্যান্মারগী টিম ৪২শুবা থাক্তা লৈদুনা ইন্দিয়াদগী মখোয়না থাক ২০ হেনগৎনা লৈরিবনি।

মেচ অদু ইন্দিয়াগী ওইনদি মায় পাক্তবা য়াদে হায়না হৌবদগী অকনবা পাঙ্গলগা লোয়নননা এটেক চত্থখি। শান্নবগী অনীশুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা পুশিনখিবা বোল অমা মণিপুরদগী হৌখিবী শান্নরোই ষ্ট্রাইকর দাংমৈ গ্রেসনা পীরকপা ক্রোস অমা সঞ্জুনা কলেক্ট তৌরগা ম্যান্মরগী গোল এরিয়াগী অনকপা মফমদগী কাউশিনখিবদা ম্যান্মরগী দিফেন্দর অমনা ঙাকথোকপদা কোর্নর তাখি। কোর্নর অদুদগী লাকপা বোল অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্বগী খুদোংচাবা অদু ফংখিদে।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিং অদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ১০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। টিম অদুদা শরুক য়ারিবা কেপ্টেন রতনবালানা য়েৎ থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা বোল অমা মহাক্কী টিমমেট সন্ধিয়া রঙ্গনাথনদা য়াম্না নেম্না ক্রোস অমা পীরকখি। সন্ধিয়ানা বোল অদু ম্যান্মরগী পেনালতি বোক্স মনুংদগী অশোইবা য়াওদনা মায়োক্লবা টিম অদুগী গোল কিপরবু মায়থীবা পীদুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

ইন্দিয়ানা মাংজিল থাদুনা লৈখিবা মতম কুইখিদে। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা ম্যান্মরগী ষ্ট্রাইকর ৱিন তুননা ফংখিবা এরিয়ল বোল অমা য়াম্না ফজনা হেদ তৌশিল্লগা ইন্দিয়াগী গোল কিপর মণিপুর মচা লিন্থোইবু উপায় লৈহন্দবমখৈ ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং ম্যান্মরগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা অনৌবা থৌনা লাক্তুনা বোল পায়বগী চাং ইন্দিয়াদগী হেনগৎলকখি। মখোয়গী এটেক অমদা বোল অদু ইন্দিয়াগী পেনালতি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। মদুদা মশান্না অসিগী কাংলোনগী ৱাংমদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরনা ম্যান্মরগী শান্নরোইদগী বোল মুন্নবা হোৎনরুবদা রেফরিনা পেনালতি অমা ম্যান্মরদা পীখি।

খুদোংচাবা অদু ম্যান্মরগী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবী ৱিন তুননা কাউশিনখিবদা ইন্দিয়াগী গোল কিপর লিন্থোইবু লান্থোকপা ঙমদনা লিন্থোইনা ঙাকথোরকখি। অদুবু থক্তোরকপা বোল অদু ৱিন তুননা অমুক্কা হন্না কাউশিল্লগা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়াবু শান্নবগী ২১ শুবা মিনট অদুদা ২-১দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল শোত্থরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী হোৎনবগী চাং হেনগৎলকখি। ফিল্ডগী নাক য়েৎতা বোল পুশিন্নবা হোৎনবা অমসুং মিদফিল্দদসু অকনবা মশান্না উৎপা ঙমখি। ৩২শুবা মিনটতা ম্যান্মরগী গোল কিপর মে নোয়েনা কাউখৎখিবা বোল অমা মাপা চানা পালহৌদবদগী ইন্দিয়াগী কেপ্টেন তরনবালাদা লাকখি।

রতনবালানা বোল অদু থবাক্তা কলেক্ট তৌরগা টিমমেট সঞ্জুদা খাইরকখি। সঞ্জুনা অশোইবা য়াওহনদনা বোল অদু ম্যান্মরগী গোল পোষ্ট মনুংদা চঙহনখিদুনা মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ম্যান্মরনা ইন্দিয়াবু হৌরকপা মিনট খরা অদুদা খুদুম চন্দুনা বোল হেন্না পুশিল্লকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিং অদুনা মায়োক্লবা টিম অদুগী এটেকশিং অদু লম্বা মান্ননা দিফেন্দ তৌবা ঙমদুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা তাঞ্জা অমত্তা পীখিদে। চাংচৎতা চহী ২১গী টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী স্থিতিনা ম্যান্মরগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই ৱিন তুনদগী য়াম্না ফজবা মওংদা বোল মুনবা ঙমখিবা অদুনা চহী নৌরিবা শান্নরোইশিং অদুগী মায়কৈদগী মেচিওর ওইবা মশান্না উৎপা ঙমখি।

মেচকী ৬৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মিদফিল্ডর রতনবালানা য়েৎ থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী কাউশিনখিবা বোল অমা লৈশিন্দুনা ম্যান্মরগী গোল কিপর মে ন্যুবু করিসু তৌহনবা ঙমদনা পাঞ্জল ওইখিবদগী ইন্দিয়না মেচ অদু ৩-২দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। শান্নবা লোইগদবা মিনত ২৬ খক্তা ঙাইশিল্লকুবা মতম অদুদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল অমা হেন্দুনা লৈখিবা অদু মায় পাকপগী লম্বেল অমা শেম্বা হৌখিবনি। অদুবু শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা ম্যান্মরগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবী ৱিন তুননা মহাক্কী হেটট্রিক অদু ওইহন্দুনা স্কোরবোর্দতা লৈবাক অনীগী পাঞ্জল ৩-৩দা লৈখি।

শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সঞ্জুনা ম্যান্মরগী দিফেন্দরশিং অদুবু লান্থোক্লগা পুশিনখিবা বোল অমা অনকপা মফমদগী কাউশিনখিবদা ম্যান্মরগী গোল কিপর মে ন্যুনা য়াম্না ফজবা রিফ্লেক্স উৎতুনা বোল অদু বারগী মথক্তা থিনগৎখি।

থংনবা মিনটতা লেপ্তুনা এটেক চঙশিল্লকখিবা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর দাংমৈ গ্রেসনা কাউশিনখিবা বোল অমা ম্যান্মরগী গোল কিপর অদুনা তুথরগা ঙাকখিদুনা পাঞ্জল ওইবা ঙমহৌখিদে। মেচ লোইশিল্লকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী৩-৩দা দ্রো চৎখি। মসিনা মরম ওইরগা ম্যান্মর অমসুং ইন্দিয়া মেচ ৩/৩ শান্নবদা পোইন্ট ৭/৭ ফংনখি। অদুবু ম্যান্মরনা ইন্দিয়াদগী পাঞ্জল চনবা মশিং ৪ হেনখিবদগী গ্রপ এগী অনীশুবা পোজিসন তারগা ইন্দিয়া মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা ওলিম্পিক ক্বালিফাইং অসিদগী লৈহৌবনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯২

১। মখোঙ নাম্মা উনা হাপ্পা শান্নরোয় অমা ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল অনী ফংখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।
২। ইন্দিয়াগী সঞ্জুনা টর্কিশ কপকী মেচ অমদা হেটট্রিক অমা ফংখি। মহাক্কী পাঞ্জল অনীদি মিনট ৩৭ অমসুং মিনট ৭১দা চনখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদু মিনট কয়াদা চনখি?
৩। ওলিম্পিক্তা টিম অনী (লৈবাক অনী) ফাইনেল শান্নগদবদা টিম অমদি শরুক য়াখিদে। মরমদি অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদু খোঙউপ বুট উপখি। মদুদা অতোপ্পা টিম অদুনা য়াখিদে। থৌদোক অসি করম্বা মশান্নদা থোকখিবগে?
৪। WAGON WHEEL করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা থাইলেন্দগী কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ
থাইলেন্দদা চহী অসিগী জুন ৫দগী হৌগদৌরিবা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম শরুক য়াগদৌরি।

থাইলেন্দগী বুরিরামদা লৈবা চাং এরেনাদা জুন ৫দগী হৌগদৌরিবা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ থাইলেন্দনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা ইনভাইটেসন পীরকপনি। ইন্দিয়ানা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি ইকোন কোন্না শরুক য়াখিবা অদু কুমজা ১৯৭৭দনি। মদুদা ইন্দিয়া ৩শুবা পোজিসন তাখি।

কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু শরুক য়াগদবা ভিয়েটনামনা মতম অদুদা মখোয়গা সাউথ কোরিয়াগা ফিকচর অমা মাংজৌননা শেমখিবনা মরম ওইরগা শরুক য়াবা ঙম্লোই হায়রকপদগী থাইলেন্দনা থা অদুদা চাইনা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়াখি। লোয়ননা কিংস কপ অদু জুন থাদা ওইনা পাঙথোক্লবা শিনখি।

য়ুম্বু থাইলেন্দ থারগা ইন্দিয়া, ভিয়েটনাম অমসুং কুরাকাওনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি অহানবা মেচ মায় পাকপা ঙম্লবদি ইন্দিয়াগী টিম ফাইনেল শান্নবা ঙমগদৌরি। মায়থিবা তারবসু ৩শুবা পোজিসনগীদমক মেচ অমগসু শান্নগদৌরি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লিগতা চেলসিনা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা টেবলগী ৩শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ
ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৩শুবা লিগ মেচ অমদা চেলসিনা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়নননা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী পুংখাই ফাদ্রিঙৈ ২৪শুবা মিনটতা চেলসিনা পুশিনখিবা এটেক অমদা ষ্ট্রাইকর ইদেন হেজার্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। নাকল অমরোমদা চেলসিনা মখোয়না হেন্দুনা লৈরিবা পাঞ্জল অদুগী মথক্তা অনৌবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনবা অমদি ৱেষ্ট হেমগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফঙহন্দনবা দিফেন্দরশিং অদুনসু য়াম্না ফজনা শান্নরকখি।

অসুম্না মেচকী অপিবা মিনট ৪৫গী অহানবা হাফ অদু লোইশিনবা ফাওবদা চেলসিনা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা ইক্বেলাইজর ফংনবা এটেক চত্থরকখি। মদু থিংনবা হোৎনবদা চেলসিগী শান্নরোই অনীনা কাংলোনগী ৱাংমদা বোল মুন্নবা হোৎনরুবদা রেফরিনা শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা এপিলিক্বেটা অমসুং ৮৪শুবা মিনটতা অরিজবালগাবু বুক তৌখি।

শান্নবা লোইগদবা মতম য়ৌশিল্লকপা অদুদা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চল্লিবা ইদেন হেজার্দনা ৯০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদপু মখোয়না ২-০দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকপা অদুনা চেলসি ফুটবোল ক্লব পোইন্ট ৩ ফংদুনা হান্না পোইন্ট ৬৩ লৈরম্বদগী ৬৬ শুদুনা টোটেনহাম হোটস্পরদগী পোইন্ট ২ হেল্লগা ৩শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখিবনি। অমরোমদা মায়থিহৌরগা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদ মেচ ৩৩ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪২ ফংলগা টিম ২০গী লিগ টুর্নামেন্ট অসিদা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ইটালিগী সেরি এগী ঙরাং শান্নখিবা ৩১শুবা লিগ মেচ অমদা বোলোগনানা সৈবো ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। মায় পাকপা অদুনা বোলোগনা হান্না রেলিগেসন জোনদা লৈরম্বদগী পোইন্ট ৩০ ফংদুনা ১৭শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫দা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা বোলোগনাগী ই পুলগারনা পেনালতি অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ৬৮শুবা মিনটতা মহাক্না অমুক্কা হন্না পেনালতি অমগী মতেংনা ২শুবা পাঞ্জল চল্লগা মেচ অসিগী ৮৯শুবা মিনটতা টিমমেট এম দিক্সনা ৩শুবা পাঞ্জল চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

# মলেসিয়া হোকি সেরিজগী ৩শুবা মেচ ইন্দিয়া অমসুং য়ুম্বু লৈবাক পাঞ্জল ৪-৪ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে



কোলা লম্পুর, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিমনা মলেসিয়াদা মেচ ৫গী হোকি টেষ্ট সেরিজ অমা শান্নরিবা অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩শুবা মেচ অদু পাঞ্জল ৪-৪ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মেচ অদু হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা য়াম্না হেনখি। টিম অদুনা অহানবা ক্বার্টরদা নবজোট কোরগী মতেংনা ১৩শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ২শুবা ক্বার্টরদা মখা তানা ফজবা হেনখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা পুশিনখিবা বোল অমসু শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা নবনিত কোরগী মতেংনা ২শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা অহানবা হাফ অদুনা ইন্দিয়ানা মলেসিয়াবু পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা টেষ্ট মেচ ৫গী সেরিজ অসিগী অহানবা মেচতা য়ুম্বু মলেসিয়াবু ৩-০দা থোইবা ঙমখি। লোয়ননা থা অসিগী ৬তা শান্নখিবা ২শুবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী টিম্না য়াম্না হেন্না ফজদুনা পাঞ্জল ৫-০দা থোইরগা সেরিজ মাংজিল থাদুনা লাকপনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টরগী ২৬শুবা মিনটতা মলেসিয়াগী মায়কৈদগী গুরদিপ কিরন্দিপনা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। পনবা য়াবদি কিরন্দিপকী পাঞ্জল অসিনা সেরিজ অসিগী মলেসিয়াগী অহানবা পাঞ্জল ওইখিবনি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মলেসিয়াগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা অনৌবা থৌনা অমা লাক্তুনা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংবু টিম অদুগী ষ্ট্রাইকরশিংনা নমখাইদুনা বোল পুশিনবগী চাং হেনগৎলকখি।

ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইনদা য়ৌরকখিবা বোল অমা কাংলোনগী ৱাংমদা য়ৈথোক্লবা হোৎনবদা পেনালতি কোর্নর অমা মলেসিয়াগী টিমদা পীখি। খুদোংচাবা অদু মলেসিয়াগী নুরাইনি রসিদনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়া অমসুং মলেসিয়া পাঞ্জল ২-২দা লৈখি।

হাফ মতুংদা শান্নবা ৩শুবা ক্বার্টরগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা চেকশিনদবদগী পেনালি কোর্নর অনী মলেসিয়ানা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা মলেসিয়াগী নুরামিরা জুলকিফ্লিনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। মদুগী মতুং নুরাইনি রসিদনা ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ইন্দিয়াবু মলেসিয়ানা পাঞ্জল ৪-২দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল ২ শোত্থরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অরোইবা ক্বার্টর অদুদা চেকশিন্না শান্নরকখি। ৪৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী নভনিত কোরনা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ৫৪শুবা মিনটতা লালরেম স্যামিনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেচ অদু পাঞ্জল ৪-৪দা দ্রো চৎখি।

সেরিজ অসিগী ৪শুবা মেচ হয়েং নুমিদাংৱাইরম শান্নগনি। অদুগা ৫শুবা মেচ অদুনা থা অসিগী ১১গী নুমিদাংৱাইরমদা শান্নগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী সুটর কিনান চেনাই য়ুএইদা পাঙথোকপা সোট গন ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে



অল আইন, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ
য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ুএই)না য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি অল আইনদা চত্থরিবা সোট গন ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী সুটর কিনান চেনাই ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

পুন্না সোট গন ইভেন্ট অদুদা মামেলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী পুন্না সুটর ১৪২না শরুক য়াখি। কিনান চেনাইনা ট্রেপ ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা অপুনবা পোইন্ট ১২৫গী মনুংদা ১২২ কাপ্তুনা অতোপ্পা সুটর ৬ অমগা লোয়নননা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌনবগীদমক্তা সুটওফ তৌনখি।

সুটর ৬ অদুগী মনুংদা সুটর ২খক খনগৎকদবনি। ঙরাং অপুনবা পোইন্ট ৫০গী মনুংদা ৪৯ ফংদুনা লাকখ্রবা মতুং ঙসি ক্বালিফকেসন রাউন্দ অদুগী অরোইবা সেটতা সোট ৩ কাপ্পদা ২৫, ২৪ অমসুং ২৪ কাপ্লগা ৭শুবা পোজিসন তাখি।

নীংশিংবা য়াবদি মেক্সিকোগী একাপুলকোদা পাঙথোকখিবা মমাঙগী ৱর্ল্ড কপ্তা পোইন্ট ১২৩ কাপ্লগা ১০শুবা পোজিসন তাহৌবনি। অদুবু য়ুএইগী অল আইনগী সোট গন ৱর্ল্ড কপ অদুদা ইন্দিয়াগী সুটর কিনান চেনাই ৭শুবা পোজিসন তাহৌখি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা ক্রোএসিয়াগী সুটর জোসিপ গ্লাস্নোবিসনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ১২৫কী মনুংদা ১২৫ কাপ্তুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা ফাইনেল রাওন্দদা পোইন্ট ৪৭ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি।

অমরোমদা থাইলেন্দগী সুটর সবাতে সেথাপোন ক্বালিফিকেসনদা পোইন্ট ১২২ ফংলগা ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ৪৭ ফংলগা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা জর্মনিগী সুটর পোল পিগোর্সনা ফাইনেলদা পোইন্ট ৩৪ ফংলগা ৩শুবা তাখি।

ৱর্ল্ড কপ অসিগী মকোক থোংবা সুটর অনী কুমজা ২০২০গী টোকিয়ো ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। ক্রোএসিয়াগী জোসিপ গ্লাস্নোবিস মকোক ওইদুনা ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইখি। লোয়ননা অনীশুবা পোজিসন তাখিবা থাইলেন্দগী সবাতে শ্রেষ্টাপোনসু টোকিয়ো ওলিম্পিক শরুক য়াবা ঙম্লগনি।

থাইলেন্দগী সুটর অসি চাইনাগী একাপুলগো ৱর্ল্ড কপতা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা য়ু হাইচেংগা সুটওফ তৌরগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপা ঙম্লকপনি।

# সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মেন দ্রোগীদমক ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই কস্যপ অমসুং নুপী মুগধা ক্বালিফাই ওইখ্রে



সিঙ্গাপোর সিটি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ
হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মেন দ্রোদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই পরুপলি কস্যপ অমসুং নুপীগী শান্নরোই মুগদা আগ্রে ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১৪ গ্লাসগো কমনৱেলথ গেমতা গোল্ড ফংখিবা কস্যপনা ক্বালিফিকেস রাউন্দগী অহানবা মেচতা মলেসিয়াগী জুন ৱৈ সিমবু ২১-৫, ১৪-২১, ২১-১৭দা থোইরবা মতুং অরোইবা রাউন্দদা জপানগী য়ু ইগারাসিবু ১৫-২১, ২১-১৬, ২২-২০দা থোইরগা মেন দ্রোগীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি। কস্যপনা মেন দ্রোগী অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী রাসমুস জেমকেগা হয়েং শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মুগদা আগ্রে ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা য়ুএসএগী লোরেন লামবু ১৬-২১, ২১-১৪, ২১-১৫দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি। মহাক্না হয়েং ফাইনেল রাউন্দগী অহানবা মেচতা থাইলেন্দগী পোর্নপাৱি সোসুৱোংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী এমআর আর্জুন অমসুং শ্লোপ রামচন্দ্রন অহানবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র দেনমার্ককী কিম অসক্রপ অমসুং এন্দরস স্কারুপ রাজমুনসেনগী মখুৎতা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ১১-২১, ১৮-২১দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পিভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল শরুক য়ারি। নুপাগী সিঙ্গলসতা শ্রিকান্ত, ঐচএস প্রনোই, সমির বর্মা অমসুং বি সাই প্রনিত হয়েং অহানবা রাউন্দশিং শান্নগদৌরি।

বি সাই প্রনিতনা অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্তো মোমোতাগা লম্বা তৌনগদৌরি। কিদম্বি শ্রিকান্তনা থাইলেন্দগী শান্নরোই এস থমাসিনগা শান্নগনি। সমির বর্মাসু থাইলেন্দগী অৱি হিংসানোনগা থেংনগনি। অদুগা প্রানোইনা ফ্রান্সকী লেবরদেজগা শান্নরগনি।